ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯰꯸, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯱ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, দিসেম্বর ০৮, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৫১শুবা মশীং

# লৈখিদবা ৩০০ হেনখিবা

## এনফোর্সমেন্ট কম্মিটিশিং মথৌ নীংথিনা তৌরিব্রা হায়বদু য়েংশিনবা চঙই

চহী অসিগী মার্চ ২৪দা মণিপুরদা অহানবা ওইনা কোভিদ-১৯গী কেস থেংনখ্রবা মতুংদা দিসেম্বর ৬ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং লিশিং ২৬ হেনখ্রে। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদবা মশীংসু ৩০০ হেনখ্রে। হৌখিবা মার্চ থাদা অহানবা কেস থেংনখ্রবসু মণিপুরগী ওইনা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা জুলাই ২৯দা অহানবা ওইনা মীওই অমা লৈখিদবনি। জুলাই থাদা মীওই ৫, ওগষ্ট থাদা মীওই ২৩, সেপ্টেম্বর থাদা মীওই ৩৯, ওক্টোবর থাদা মীওই ১০১, নবেম্বর থাদা মীওই ১১৩ অমসুং দিসেম্বর ১দগী দিসেম্বর ৬ ফাওবদা মীওই ২৫ লৈখিদ্রে। দিসেম্বর ৬ ফাওবদা লৈখিদবা মশীং পুন্না ৩০৬ শুখ্রে। হৌখিবা ওক্টোবর ৩১দা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা লাউথোকখিবা গাইদলাইনগী মতুংইন্না লায়না-লাইচৎ অসিবু লাকশিন্ননবা ষ্টেটকী থাক্তা, এসেমব্লী সেগমেন্টগী থাক্তা, দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা অমসুং লোকলগী থাক্তা কোভিদ এৱ্যেয়র্নেস কম এনফোর্সমেন্ট কম্মিটিশিং শেম্লগনি হায়খি। ৱাফম অসিগী মতুংইন্না কোভিদ এৱ্যেয়র্নেস কম এনফোর্সমেন্ট কম্মিটিশিং অসি শেম্লবসু মথৌ ফজনা পাঙথোকপগী মমিদি তাদে। লৈঙাক্লা পায়খৎখিবা থৌশিল অসিগী মপুং ওইবা পান্দমদি লায়না-লাইচৎ অসিবু থেংননবগীদমক মীপুম খূদিংমক্লা লৌফম থোকপা থৌদাংশিং মশক খঙহনবা অমসুং ৱাখল তাননবা এৱ্যেয়র্নেস পীবা হায়বসিনি। এৱ্যেয়র্নেস কয়ারক পীরবসু লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লনবা তঙাইফদনা তৌফম থোকপা কাঙলোনশিং অদু ঙাকপা ঙমদবা অসিনা লৈঙাক্কী থৌশিল অসিদা অশোয়বা লৈরব্রা হায়বসিসু ৱাহং অমা ওইরি। কেস মশীংসু লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপগা লোয়ননা লৈখিদবা মশীংসু থা-থাগী ওইনা য়েংনবদা থা খূদিংগী হেনগৎলকপনা হৌখিবা নবেম্বর ২৭তা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা নৌনা চৎনগদবা গাইদলাইনশিং লাউথোক্তুনা নুমীদাং পুং ৬তগী অয়ুক পুং ৪ ফাওবা নাইট কর্ফিয়ু থমখ্রে। সোসল অমসুং কষ্টমরিগা মরী লৈনবা থৌরমশিংদা মীওই ২০দগী হেন্না পুনবা থিংখ্রে। থাঙ্গাল অমসুং পাউনা কৈথেলদা লৈবা হোলসেল দুকানশিং নত্তনা অতোপ্পা দুকানশিংদি রোষ্টর ওইনা হাংননবা খঙহনখ্রে। অদুবু অথিংবশিং অসি ঙাক্লা চৎপগী মতৌদি উদ্রে।

মণিপুরগী ওইনা পোইনু, ৱাকচিং অমসুং ফাইরেন থা অসি লুহোংবা অমদি অতৈ থৌরম কয়া য়াম্না কুংনা পাঙথোকপা মতমনি। হায়রিবা মতম অসিদা লৈঙাক্লা রিলিজিয়স অমসুং কষ্টমরিগা মরী লৈনবা থৌরমশিংদা মী ২০দগী হেন্না পুনবা য়ারোই হায়রিবা অসি ঙাক্লা চৎহন্ননবা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপগী মমি তাদে। মীয়াম্নসু লায়না-লাইচৎ অসিবু নোংম-নোংমগী থওইরক্তবগী মতৌ অদুদি ময়েক শেংনা উরি। অমরোমদা হেল্থ দিরেক্টরনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা শিখিবা অয়াম্বা মতম থেংথনা হোস্পিটালাইজেসন তৌবদগীনি হায়বা খঙবা ঙম্লে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে। লায়না-লাইচৎ অসি থেংননবা লৈঙাক্লা মতম-মতমগী ওইনা লাউথোরকখিবা চৎন-কাঙলোনশিং অমদি এস ও পিশিং অসি মপুং ফানা ঙাক্লা চৎখিবগী তাঙ্কক অমা ফাওবা উখিদ্রি। লোকদাউন তৌরিঙৈ মতমদসু লোকদাউন থুগায়বা কয়া থেংনখি। লোকদাউন কোমথোকখ্রবা মতম অসিদসু ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) মীয়াম্না মপুং ফানা ঙাক্ত্রে। লায়না-লাইচৎ অসি থেংনবদা মীপুম খূদিংমক্লা লৌফম থোকপা থৌদাংশিং লৌহন্ননবা অমদি এৱ্যেয়র্নেস পীনবগীদমক শেমখিবা এনফোর্সমেন্ট কম্মিটিশিং অদু মথৌ নীংথিনা তৌরিব্রা হায়বদু য়েংশিনবা চঙই। লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং অসি মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোক্লনবা হোৎনবনা পুম্নমক্কী অফবা ওইগনি।

### এডিটরদা থারকপা চিঠি

#### শেলনা মীগী ভেল্যু লেপহনগুমসি

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

শেল পায়বা মীবুনা ইকায়খুম্নবা অদুগা লমচৎ-শাজৎ ফজবা শেল পায়জদবা, লাইরিক-লাইশু হৈরবা মীওইশিংবুনা ইকায়খুম্নবিদবা অমদি লুম্না লৌনদবগী চৎনবী অমা ওইনা খুন্নাই অসিদা চৎথরক্লিবা থৌওং অসি য়াম্নক লাইবক থীবা থৌওং অমনি। তেল্লবা মতমগী মনুংদা শেল কয়া পায়দুনা ফজবা ফুরা-দলান শাদুনা অমদি গাড়ি অচৌবা কয়া তোংদুনা লৈবা মীওইশিংবুনা খুন্নাই অসিগী মীওইশিংনা হেন্না লুম্না লৌনরকপা হায়বসি খুন্নাই অদুগী ওইনদি য়াম্না মাঙজবনি। মরমদি তেল্লবা মতমগী মনুংদা মীওই অদুনা শেল কয়া পায়রক্লিবা অদু কদাইদগী অমদি মতৌ করম্না পায়রক্লিবনো হায়বসি মীয়াম্না থিগৎনরুদে। শেল পায়রক্লিবা অদু মীওই খরনদি অমদি লমদম অসিগী ফমদোন-ফম্নাইবশিংনদি অদুমক খঙলমগনি। অতোপ্পা মপান লৈবাকশিংদদি লৈবাক্কী প্রসিদেন্টনা অরানবা থবক তৌরবদি লৈবাক অদুগী মীওইশিং প্রসিদেন্ট ওইরিবা মীওই অদু ফাওবা সপোর্ট তৌদবগা লোয়ননা মীওই অদুবু ইকাইখুম্নদে। মতৌ অদুগুম্না লৈবাক্কী খন্দবা মীওইশিংবু ঐখোয়নসু মীওই অদুবু সপোর্ট তৌদবগা লোয়ননা ইকাইখুম্নবগী মথৌ তাদে হায়না হায়জনিংই। মরমদি শেলনা মীওইগী ভেল্যু লেপ্পবা খুন্নাই অদুদি মহাম চেল্লবা খুন্নাই অমগুম্বনি। লোয়ননা খুন্নাই অদু লৈখা তানা শোকথরবা, খুদোংচাবা অমদি কান্নবক্তা থিরবা খুন্নাই অমনি হায়না লৌবা য়াই।

মদুনা খুন্নাই অদুগী তুংগী লম্বীদা অমদি হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা চাওনা অকায়বা পীবা হায়বদু ওইরক্কনি। মীনা-মীবু নমথবা, শুপ্নগী খুদোংচাবা খক থিবা অমদি মীনুংশি লৈত্রবা মশাগীত্তা খনবা খুন্নাই অমা হায়বদু ওইখিগনি। মরম অদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা মীগী ভেল্যু খঙনা চৎপা মথৌ তাই। পুকচেল শেংনা থবক তৌজরিবা মীওই অদুবু শেল পায়দে হায়দুনা মীরাইবদি অফবা খুন্নাই অমগী শক্লোন নত্তে হায়জনিংই।

*অদোমগী - অব্দুল মনাল, থৌবাল মোইজিং*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭

১) কলকত্তা য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুরী লোলবু মেত্রিকুলেসন পরিক্ষাগীদমক অহানবা শকখঙবা মতমদুদা কনানা ইবা করি লাইরিকপু তম্ন-লাইরিক ওইখিবগে?

২) জোনষ্টোন স্কুলনা হায়স্কুলগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌখিবসি করম্বা চহীদনো?

৩) “ইনুংশোয়গী ঙাচিং” হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা করি লোলদা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৪) “অরায়বা ৱারেং লাইরিক” হায়বসি কনানা করম্বা মীওই কাঙলূপকী করিগীদমক ইবনো?

৫) চহী ৫৩গী মমাঙদা অহানবা ওইনা ফোঙখিবা উপন্যাসকী মমিংনি “লৈপুন”, অইবাঅসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মণিপুরসি পোৎ-চৈ হোংবা মফম অমদি ওইহন্নীংই

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬২৮**

**জিতেন নামৈরাকপম**

হিয়াঙ্গৈ থা কনানসু খাঙ্লুবা ঙমদে। মথং-মথং লানশিনখিদুনা ফৌরামুক পাক্লা উরম্বা থাজগী মায়থোঙ অসুম পিকশিল্লক্তুনা হপ্তা অমরোমগী মতুংদদি অসুম অসুম মমশিনখ্রগনি। মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরবা হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবগী নিংঙোল চাক্লৌবা লোইখিবা কুইদ্রিবা ওইরগসু মদুগী মনিলদি লৈহৌরি। অদুবু থিংবা ঙম্লরোইদবা পোইনু থানা অসুম অসুম লাকশিনখ্রগনি।

হিয়াঙ্গৈগী নিংঙোল চাক্লৌবা অনী থোক্লে, অনী থোক্লে হায়নরগসু কৌনীং-কৌনীংবা মওংদা অনী থোক্লা অদুমক লোইশিনখি। নবেম্বরগী তারিখ ১৬ অমসুং ১৭, তারিখ ১৬ নিংথৌকাবা নুমিৎ অদু নোংমসু-নীনিসু পানশিনমিন্নখি। নোংমা পানবা অয়ূক্কী মতমদা লোইরগসু নুমিৎ তাদ্রিবনিনা নোংমা পানবা নুমিৎতা নিংঙোলনা মপামদা চঙহৈদে হায়দুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা চাক্লৌনখিবসু কোঙ্গায়নি। মসিগী অনী থোকপগী চৎনবী অসি ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদদি লৈরমদে খঞ্জে। অদুবু পাঞ্জি মশেল হৈবা তান্নরকপা অমদি নুমিৎ থাগী খোঙচৎপু য়াম্না কুপ্না দিটেল ওইনা মিনট/ সেকেন্দ কূপ্না থুগায়রক্তুনা হোৎনরকপদগী থৌদোক অসি থোকখিবনি খঞ্জে। হন্দক্কীদি লৈবাক হুপ্না চাক্লৌবগী খুদোল তম্বদা খূৎচাউ থানদুনা অহেনবা তান্নবগী কম্পিটিসন তৌনগুমসি হায়না সোসল মীদিয়াদা করিদা লাউনরক্লগসু হান্না তৌরম্বা ফীভমদগী করিসু তাখিদ্রা খল্লি। অঙম অঙম্বা লৈনদুনা নিংঙোলশিংগী মবুক পেলহনখি। শোমদসু চপ মান্নে। নিংঙোলশিংনসু অৰৈবা চাংদগী হেন্দোক্তুনা মপোৎ-মপোৎ লৈনরক্তুনা মবুং-মৌপ্পাশিংদা খুদোল তৌবগী মমি তাখি। ঐখোয়গী হান্নদগী পুনরকপা মণিপুরগী মহৌশাদগী ফংলক্লবা হৈ-রা, লফোই, কোমলা, লমদম অসিদা শাজবা অচা-অথকশিং পুনরকপগী মথক্তা অচাথাও, শঙ্গোম, চা-মনা, চিনিদগী হেন্দোক্তুনা ঙারি-ঙাতাই, মখল মখলগী নুংতিগী শীজিন্নবা য়াবা পোৎলমশিং মপোৎ-মপোৎ পুরকপা থেংনখি। মসিদা কনানা করি হায়রুগনি। পৎ-পুমদুনা মাঙবা য়াবা পোৎলম নত্তবনিনা মসিনবু ফরে হায়নবসু য়াওখি। অসুম্না অসুম হৌখ্রবা মতুংদা পোইনু থা চঙলক্কদবগী ঙাইদুনা লৈরবা মতম অসিদদি লৌবুক লমহাং পুম্নমক ইহাঙ হাঙনা উরে। রবি ক্রোপস মতোন চোংলক্তুনা মতম চানা লোকহৌনবা লৌমীশিংনা কন্না হোৎনবা থেংনরকই। ঈশিং অসিমক্তং মতিক চানা পীবিরগদি লৌমীশিংনা ৱানা হোৎনজরিবা অসিগী মহয় শোয়দনা ফংজবা ঙমগনি। লৌমীশিংনা মোমোন নোকচরিবা হায়ববু ৱানা থবক শূজরুবগী মহৈ-মরোং লোকপা মতমদা মতম চানা, মতিক চানা হোৎনজরুবগী অৱামল ফংজবা অদুনি। অদুবু লৌউ-শিংউবগী লোইশঙনা লৌমীশিংগী য়াইফনবগীদমক করি থবক লৌখৎপীরিবা, লৌমীশিংগী ৱাকৎ তাবীদুনা অকনবা থবক্তা থৱায় য়াওবিরিব্রা হায়বদুদি য়েংবা তারি। লুরিবদি ৱাইশেল মরীল পুম্নমক ময়াং কংশিল্লক্লি।

অনক-অনকপা ঈশিং লৌফম মফম চাবা য়েংবীদুনা লৌমীশিংগীদমক ঈশিং মরাং কায়না লৌউ-শিংউ লোইশঙনা পীবিনবা হোৎনবীরগদি মীয়াম্না শোয়দনা থাগৎনগনি অমদি মণিপুরী মীয়ামগীদমক অৱাবা কয়া খাঙদুনা মহৈ-মরোং থাবীরিবা লৌমীশিংনসু মতিক চানা থাগৎনরক্কনি খল্লি।

লৌমীশিংগী অৱাবদি থবক শূরুবা কাঙবুতনা খঙজে হায়বদুনি। লৌ খোয়বা য়াবা খোয়রগা, মতম চানা মহৈ মরোং থারগা, মহাক্ল পাম্বা মচিঞ্জাক পীজরগা, তীলহাৎ হীদাক থারগা, লায়না তীলনা তাহন্দনা মায় পাক্ল লোকচবা অদুনি। মদুতদা মোমোন মীনোক নোকচগদৌরিবনি। কুমসিগী লৌরোক কুমজা ২০২০ অসিদা লৌমীশিংনা খুদোংচাদবা থেঙ্খাং কয়ারক হন্না থেংনরকখি। নোংবুদি মতম চানা চুবীদুনা ঈশিং মরাং কায়না পীবিখ্রবসু লোক্লমদাই মতমদদি নোং অমুক হৈথরক্তুনা লৌ য়ৈবা য়াদদুনা ঈশিং মনুংদা ফৌ তিংদুনা লৈবা অমদি মতোন থোকপা হৌরক্তুনা লৌমীশিংনা অৱাবা কয়া মায়োক্লখি। মায়োক্লবা অদুগী মখা তারকপা ওইনা লোক্তৌরবা ফৌ, লৌশানগী-করিগী খায়দোকখ্রগা নৎত্রগা শেল থুম ৱাৎপনা মরম ওইরগা ফৌ তাইথোকচগে হায়বদা হান্নদগী মমল হোঙথরকপগী পাউসু তাবা ফংখি। ফৌ মোন অমদা লুপা ৯০০/১০০০গী মথক পীরগা লৈনখিবা য়াওখি। অদুবু হৌজিক্তি লৌবীনবা লৈতবনিনা লুপা ৭৫০/৮০০ খক হেল্লপ তাইথোকপদা অৱাবা ওইনবগী পাউসু তাবা ফংজখি। লৌ শঙম অমা লৌখায় নৎত্রগা পরি অমা উবা মতমদা মী নেকপগী, মেছিন নেকপগী চঙখিবা শেনফমগা ফৌ লোক্লবা মতুংদা ফংলিবা ফৌগী মমলগা য়েংনরুবদা লৌমীশিংগী অৱামল ইফং ফংদবগী মওং উবা ফংই।

হন্দক মরক ফৌ হোংথরকপগী মরম থিজিল্লুবদা ইরায় লায়না ফংবা ঙম্মী। হান্না কোৎতা পৈদুনা থমহৌবা শেঞ্জাও পায়বশিংগী অরিবা ফৌশিং হৌজিক তায়থোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইনরি। ফৌ অনৌবা লাকপদা কোৎ শংদোক্তুনা অরিবা ফৌ লৌথোক্লবা হোৎনবদা থবক অমা ওইনবগী ৱা তাবা ফংই। অদুগী হায়রুরবদি হন্দক ফৌগী মমল হোঙথরকপা অসিনা লৌমীশিংদা খুদোংচাদবা খরদি লৈবা থেংনরগসু চেঙ হোঙবা, ফৌ হোঙববু হরাউরোইদবা, পাম্নরোইদবা কনা লৈবগে? হংবা য়াবা ৱাফমনি। হন্দক্কী ফৌ মমল খরা হোঙহনবা ঙম্লিবা অসিগী মরম থিজিল্লুবদা ইরায় লায়না ফংবা ঙমজখি। চেঙ মমল তাথরক্লিবা অসিগী মরম ইরায় লায়না লৈরম্মী। হন্দক্কী কোরোনাভাইরসকী তমথীরবা লান্না লান্দারকপদগী চেঙ হোঙহন্নবগী মরম অমা ওইরম্মী। মদুগী মরম ময়াম্না হেন্না খঙবীরম্লগনি। মদুদি কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা সোসল ৱার্কর নৎত্রগা পুকচেল চাউবা কাঙবুনা লৈকায় লৈকায়, খুন শিনবা থুংনা চেঙ-হৱাই, আলু, ঙারি, অচাথাও, কোবিনচিংবা পোৎলমশিং মতিক চানা য়েনবীখি। মদুগীসু মথক্তা লৈকায় লৈকায়দা য়েনবা নফসাগী চেঙসু মতম চানা, থা কায়দনা এজেন্টশিংনা কন্না হোৎনবীদুনা য়েনখিবগী মহয় মতিক চানা ফংখিব্রা খঞ্জে। অদুগীসু মথক্তা লোকদাউন, কর্ফিয়ু অমদি অচৌ-অচৌবা, অপিকপা হোটেল কয়া হাংনখিদবনা মরম ওইরগা চেঙগী মমল হন্থরকপা ওইরমগদ্রা খঞ্জে। মনা-মশিং অমদি নোংমদা চঙবা পোৎলমশিংগী মমল ইহন হন্থদ্রগসু হীরম খুদিংমক্তা অহোঙবা পোৎ ফংহনবা ঙম্বা মণিপুর অমদি ওইহন্নিংলি। ●

# কোভিদ-১৯না ওইহল্লকপা অমাঙ-অতোংশিং - ১৮

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

**কোভিদনা নারুবশিং করিগী হঙ্গৌইনা লৌগদবনো?** - মালেমগী লৈবাক খুদিংদা কোভিদ-১৯ করিনো হায়বসি খঙদবা অমত্তা লৈত্রে হায়বা য়ারে। অনাবা কয়া ফগাৎলক্লগা ময়ূমদা তেক্তা কায়দনা হল্লকপা অদুগা খরা অমনা মশাগী অরুবা লায়না হান্না লৈজবনা মরম ওইরগা শিবদগী ময়ূমদা শিনা পুরকপা - মসিবু লোৎপা য়াগদ্রা ? হৌজিক মালেমগী খুন্নাইশিংদা খন্ননবা থমজনীংবা ওইথোকপা য়াবা মরম খরদি মখাদা পীজরিবসিনা হঙ্গৌইনা লৌনবগী মরম ওইগদ্রা হায়বসিনি।

ওইথোকপা য়াবা মরম খরা : (১) ইহান হান্না কোভিদনা নাবগী তমথীবা মশক/মওং উৎপা ভিদিও ফুটেজ - ফেসবুক্তা - কোভিদনা নারবা মী চৎলম্বদগী মাঙদা/তুংদা বোম বোম তুদুনা শিবা - ইহান হান্না চাইনাদা উৎখিবদু উখিবশিংনা - হায়রিবা ফীভমদুমক ওইগদ্রা হায়না খনবদগী ওইরম্বসু য়াই। অদুবু হৌজিক অশেংবদদি ভিদিওদা উখিবা মওংদুদি ওইদ্রে/থোক্ত্রে - শিববুদি য়াওরি।

(২) কোভিদকী ভাইরস শম্না কোভিদ-১৯গী ভাইরসসিনা নাহল্লবা মী অমগা মরম অমদগী নকশিন্নবা মতমদা অতোপ্পা নাদবা মীশক অমদা ভাইরসসি চঙখ্রবা মতুংদা লায়নাসিনা নাহল্লকই হায়বসি কিবদগী হঙ্গৌইবা অমা।

(৩) কোভিদ-১৯না নাবা হৌগৎলকপা হায়বদি লায়না লাইচৎসি শন্দোকপা হৌরকপদা করম্না ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে খঙদ্রিঙৈদা পংকি কিনরম্বদু লৈঙাক্ল এস ও পি ঙাক্লা চৎনবা হায়রিবা কাঙলোন অহুম হায়বদি - য়ুমদগী মপান্দা হেক চথোকপদা শোয়দনা ফেস মাস্ক উপ্পা; য়ুমদা লৈরিঙৈদা সাপোন শীজিন্নদুনা ঈশিং অরুবনা খূৎ শেংনা তোয়না হামদোকপা/লম চথোকপদা ওইরগনা মশক খঙলবা সেনিটাইজর অমনা খূৎ তোয়না শেংদোকপা; মী অমগা মী অমগগী মরক্তা মিটর ২/গজ ৬ লাপ্না লৈনবা, মীয়াম তিনবা মফম পংচৎ চৎতবা অসিনচিংবা কয়া ঙাক্লা চৎলিবা মীশক অমদা কোভিদ-১৯দগী থোয়না কিনীংঙাই ওইদে হায়বসি লৈঙাক্কী পাউজেলনি।

(৪) মথক্তা ইখিবা মরম খরসি থাদোকপা ইঙম ঙমদবদগী মশা মতোমতা চিংনজবা ৱাখল অমদগী - কনাগুম্বা ইমুং অমদা কোভিদ নারুবদগী ফরকপবু ওইরবসু য়ূমদুদা লৈরিবা মশা/ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা লায়নাদুগী ভাইরস হেক্তা চেল্লমগদরা পংখন্দা খনবা/অদুগুম্বা ইমুংদুদা খঙন-চান্নবা অতোপ্পা মী অমা/ইমুংদুগী নিংঙোল অমা মপামদা চৎলুবদা নুপা ময়ূমদুদা কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংবা মীওই অমত্তা য়াওদবদা পংকিদা কিবা/চিংনবদগী মচা-মমৌ/ইমুংগী মীদু ফাওবা হঙ্গৌইবা মীৎয়েংনা য়েংবগী ৱারী ৱাতাই তৌনবা কয়া লৈখ্রে/লৈরি।

(৫) রেদিওগী পাউ পাবদা কোভিদনা নাবা মীগী মশীং অসুক শুরে, ফগাৎলকপা মশীংনা অসুক ওইরে হায়বদা - শিরিবা মীশিংদু মশাগী হান্না অনাবা লৈজবা মীওইশিংনি হায়নসু পাউ পাবদা য়াওরবদি মীচম মীয়াম্নসু কোভিদনা মরম চাদনদি মী অমা হেক্তা শিহন্দে হায়বা ৱাখল পোকহল্লবদি হঙ্গৌইবগী চাং ফনা য়াম্না হন্থগনি। পাউচেশিং খরদা কোভিদনা শিরবা মীওইশিং মশাগী হান্না কিদনি অমদি দাইবেটিস/কেন্সরগী অনাবা লৈ হায়না ইবা থেংনৈ।

হায়রিবা মরমশিংসিনা মরম ওইরগা য়ূম্নাক শাগৈ মান্নবা/য়ূম্নাক শাগৈ মান্নদবা য়ূমলোন্নবা/কৈরোয় লৈকায়গী ইমুংশিং/মীওইশিংনা খুন্নাইগী নত্তবীদা চৎনবী অমগুম্না ইশা ইশানা শম্বল (সোসল বেরিয়র) খানবগী ৱাখল্লোন লাকখিবসিনা লৈবাক খুন্নাইগী ওইবা অপূনবা শক্তম অমা শাগৎপদা অকায়বা শোয়দনা ওইরক্কনি। ঐগী ইমুংগী ইপা-ইমা/মী শিবদা চঙলক্ত্রগা মখোয়গী ইমুংগী মী শিবদদি ঐ/ঐখোয় করিগী চঙলুদোইনো হায়বা ৱাখল শোয়দনা লাক্কনি। মসি অফবদি নত্তে। লৈঙাক্কী ওইবা য়াথং এস ও পি ঙাকপা থৌরম অমদা মী য়াম্না তিনবা য়াদবদুদি মী অনীগী মরক্তা তঙাইফদনা মিটর ২গী অরাপ্পা থম্বগী মথৌ তারকপনা নুমিৎতুদা য়াওদ্রবসু, মদুগী মমাঙদা চঙথোক চঙশিন তৌরগা হান্নগী খুন্নাইগী চৎনবী তৌনরবদি য়ূম অমগা অতোপ্পা অমগা কোভিদকী মতমসিদসু কায়নদবা য়াগনি হায়বসিনি থমজনীংলিবা ৱাফমদি।

কোভিদ-১৯না নারিবা অমদি ফরবশিংগী মতাংদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটি অমদি লায়েংলিবা এক্সপার্ট ডোক্টরশিংগী ৱারোলশিং :-

ষ্টেট লৈঙাক্ল অমদি মীচম মীয়ামনসু চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎ-লৌখৎনা ইফুৎ ফাওবগুম্না মফম অমদা নৎত্রগা অমদা/মফম অমদনা খরা হেন্না কোভিদ-১৯গী অনাবা মশীং অকা-অকুম শান্নদুনা লেপ্পা নায়দবসিনা নারিবা অমদি নারুবদগী ফরক্তুনা ময়ূম ময়ূমদা হল্লক্লবশিংবু হঙ্গৌইবা মীৎয়েংনা য়েংবীবা লেপত্রি হায়বা য়াই। মসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী ওইবা ৱারোল অমদি জেনিমস হোস্পিটালগী দাইরেক্টর টি ঐচ ভিমোগী ৱারোল মখাদা পূন্না খঙমিন্ননবা থমজরি।

পাউচেসিগী সেপ্টেম্বর ২১, ২০২০গীদা ‘লাইওং উত্তবা কোভিদ-১৯গী অনাবশিং য়ূমদা লৈবা য়ারগনি হায়রবসু ক্লব অমদি মৈরা পায়বীগী অয়াবা লৌদে হায়দুনা ওফিসলশিংনা লৈহন্দ্রে’ হায়বা হেদ্দিংগী মখাদা -লাইওং উত্তবা অমদি য়াম্না মাইল্ড ওইবা মখলগী লাইওং উৎপা কোভিদ-১৯গী অনাবশিং হোম আইসোলেসন তৌদুনা য়ূমদা লৈবা য়ারগনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা হৌখিবা ওগষ্ট ১৫দা নোটিফিকেসন থোক্তুনা এস ও পি লাউথোকখ্রবসু হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈবা য়াবা অনাবা কয়াদি লৈকায়গী ক্লব অমসুং মৈরা পায়বীগী অয়াবা লৌদে হায়না দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসলশিংনা য়ূমদা লৈহন্দ্রে হায়না মায়কৈ কয়াদগী পেন্দবা ফোঙদোক্লরক্লি। ●

# অদুঙৈগী ইমাশিংগী থৌনাদো! ঙসিনা কমদৌরিজাৎনো, মখল মথেল ৱারী ময়াম অমা

**-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -**

*পোকপদগীনা শিবা তানবদা/মীখাদা পোল্লবী নিংঙোল মপোক্লা/অমুক্কা পর্দাগী মরুমদা লোত্তুনা/নুরাগী পুন্সিদি ৱানা লেনখ্রেদা/পিশক পিকঙৈদগী পুংককপা ফাওবা/পন্থৌগী মরুম থুপ্পুনা হিংলে/মথোং কারকপগী নুংঙাইবা কালদা/চৎনবী ওইনা পর্দাদা থমলে/থংলেন নঙগী ৱাখল তৌরুবদা/কবিগী কলমদি পন্দুনা লৈরে/নরৈপাক্কী ঙমখৈ অকোইবনা/নুরা নহাক্কীদি পৃথিবী ওইরে/নয়ুমগী ফকলাং শুংদাই মরিনা/লাইবক থীবী নঙগী নরৈপাক খমলে।*

শৈরেং মতেক অসি পারুবদা কয়াদা খোইশাও লিনশাওনরিবনো! মীয়ামগী লুচিংবা লময়ানবা হিজম ইরাবতনা শ্রীহট্ট জেল মনুংদগী কুমজা ১৯৪৩গী জন্যুৱারী ১৩দা ফংবনি হায়বগী ৱাফম থেংনজে। মশামক্কী খূৎইরা নত্তব্রা হায়বদুমদি খঙজদে। মতম অমদা নুপী ওইবীশিংবু খুন্নাইগী চৎন-লোনচৎনা শম্বল ওইদুনা মনীং তমহন্দববু শীংনবা নুংহীক্লরবা থম্মোয়গী তেংথাখোলনি। ঙসিসুনি, ফীভম অসিদগী শম্না মফৈ অমা ফাওবা হাইদোকপা ঙমজ দবী নুপী কয়া লৈরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অমরোমদা নুপী ওইবীশিংনা মশাগী ফংফম থোকপা রাইট তাঞ্জনবা থৌনা পাঙ্গল হাপ্পা, লৌশিং পীবা অমদি য়াকাইহনবা শৈথানি। দিসেম্বর ১২ য়ৌশিল্লক্লেকো! করি করম্বা থৌওংননো কাউথোকহনগদৌরিবসে, অদুঙৈগী ইমাশিংনা উৎখিবা থৌনা, ***নুপী লান***। মখোয়না য়াখিদে, নুপীদি নুপী ওইদুনা অদুমক লৈয়ু, ইমুং-মনুংগী কুপনোমগী ৱাংমদা লৈবাক্কী ওইবা ইস্যুদা য়াওরক্কনু হায়বদো। ঙসিগী নুপী ঐখোয়সিনা মতমদুগী নুপী ওইরম্লবা মখোয়গী থৌনা লৌশিংদু য়াওরমগদ্রা হংনীংবা ফাওই। খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল লাইরেম্বীনা ইমাশিংদা পাঙ্গল হাপ্পীখিবনরা, বোম-টোপ, নোংমৈ-শঙ্গিন, সিফাই-নুংফাই কনাবুসু করিবুসু কিবীখিদবনি। মবুক হাংলবা মচাশিংগীদমক্লি তূম্বা মচেৎ, চাবা মচেৎ নীংহন্নবা লৈতনা চুমদবা লৈঙাক থৌশিলগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা লাঞ্জংনি।

অসিগুম্বা থৌনা লিংজেলনা য়োল্লবী লমদমসিগী নুপীশিং ঙরাংসু ঙসিসু হীরম অমদা নৎত্রগা অমদা মনীং তম্না মতিং ফুদোকপা ঙমদনা লৈরিবগুম্মী। মদুদগীসু হেন্দোক্তুনা মশানা য়ানা নৎত্রগা নম্ফুদা ঈজৎ তেমশিংনবীবগী থৌওং থৌচৎ লীশাং শিৎনা চথদুনা লাক্লি। তশেংনা থোকখিবা থোকখিদবা হায়বদুনা তোঙানবা ৱাফম অমা ওইরগা থায়নঙৈ মতমদসু মশাগী রাইট ফংদবা অৱা চৈনা খাঙজখিবী নুপী খরগী ৱারী লাইরিকশিংদগী ফংবা ঙম্মী। খুদম খরা লৌখৎচরবদা খুমন নিংথৌ মমোম্লোই শম্ফাবীবু কংলৈ নিংথৌ মৈদিংঙু থৱান থাবগী তালোয়শিংদা চনখি। অমুকসু মৈদিংঙুগী মমোম চীংখৈ ললউনথানবীদো খুমন নিংথৌমক্তা থাজবীখি। মতমদুগী চারৌ মৌরৌনবগী চৎনবী ওইরম্বদি য়াই হায়ববু নিংঙোল অনীমক্লা য়ূম্বান পুন্সি মতাং লাকপদা মশাগী অনীংবা অপাম্বা ফোঙদোকপা ঙমখিদে হায়বসিমদি থাঙ্গৈ শেংলে। ঙম্মী হায়বগী মতাগুম থৌদোক অমদগী মখোয় অনীমক মা মাগী মপুরোয়বগী য়াথং মতুংইন্না লৱাই লেম্ফুদা তরেংয়োৎনা লেংশিল্লগা হাত্তোকপীখি। মসিনসু লোইদে, অদুঙৈ চীংখৈ ললউনথানবীবু লুহোংদুনা খুমনপুঙদা থিনবদা মজাইবেম্মগী লিকফাং কাউরম্বদগী লৌবা লাকখিবী নিংথৌ খূৎশু চনু লৈমা কুচু কোইবীবু মৈদিংঙুনা সনা মীৎয়েং তাবীখি। খুমন লমদা মপারী অমা ফংজরবী কুচু কোইবীদো মৈদিংঙুগী তালোই শীংদা চনবগী রাইট ফংখিদে। মমৈথংদা মৈতৈনা খুমন্দা লান্দারকপদা মৈদিংঙুগী অরোনবা মপারী খুমন লমদা পোক্তুনা শারেপ ফাখিবদু লানফমদা থৱায় থাখি। মপারীনি খঙলকপা মীকুপ্তা মৈদিংঙুদো নীংঙমখিদে। পাঙ্গল থোকপা ঙমজদ্রবী কুচু কোয়বীনা মপারী কায়না মৈচাক পুদুনা থম্মোয় খূত্তুম শুদুনা খাঙহৌই। লাংমাই চনু পেতংঙাগী পুন্সিসু অদুমঙায়, মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা কংলৈ ফম্বালদা ফমদ্রিঙৈদা চহী কয়া য়ূম্বান পুন্সিদা খোঙদামিন্নদুনা ময়ূম শেল্লোই লাংমাইদা য়াওং ইন্দুনা লৈরম্বনি। মশুংলাংগীদমক, মাগী মথ্বায় কনবদা শেল্লোই মবুং মৌপ্পাশিংগী মীচৈ খোন্থী কয়া চাখ্রবীনি। কায়নথংদা মাবু মীরায়বীরম্বা থৌওং উবদা হিংবগী পাঙ্গল লোইখি, অদুম্মক পুন্সি কেমখ্রবীনি।

ঙসিদি ঐখোয়গী নুপীশিং লাইরিক লাইশুগী মঙান ফংবা য়াম্না য়াওনরে। অদুবু মশানা য়ানা নৎত্রগা নম্ফুদা নমজা নমথেক্লবীবগী চাংদি নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপগুম তৌরি। থৌদোক ৱাথোক ময়ামগী মরক্তা অঙকপা থম্মোয় শোকপা অনীখক লৌখৎচরি। মমাঙ চহীদা থেংনখিবা থৌদোক অমনি। মশা মশা য়ানদুনা লুহোংলগা য়ূম্বানমিন্নরবনি। লাইবক থীবা হায়গদ্রা, নুপী-নুপা অনীদু চহী অনী/অহুম য়ূম্বানমিন্নবদা মচা ফংজদ্রে। নুপাদু লৈঙাক্কী থবক অমা পায়রি। ইমুং-মনুংনসু নুপা মশামক্লসু নুপী অদুবু মীরায়বীবা মতৌ উৎলকই। নুপীদুনদি অখঙ অহৈ ডোক্টর তানবা পাম্মী। অদুবু ইমুংদুনদি কয়া থৌশাদে। নুপাদু থবক মফমদগী হল্লকপা মতাংদা নুপী অসিবু নুংশিবা মতৌ উৎপীদে। নোংমদি নুপী অদু মপামদা লাকখি। মদুগী খুদোংচাবদু লৌরগা নুপাদুনা মাগা খাইনবা পামখি। নুপীদুনদি খাইনবা হায়বা ৱাহৈদু মপুরোয়বগী মচিনমক্তগী তাবদা থম্মোয় শোক্লা কপচৈ। অতোপ্পা অমনা, নুপী-নুপা অনী অসি অহানবা ওইনা শকখঙনদুনা কোয়মিন্নরুরে। অহানবা উনবদা থোইদোক্লা অকায়বা চৎখিদে। মখোয় অনী কোয়মিন্নরুবগী নুমিদাংমক্তুদা নুপীদু অতোপ্পা নুপা অমনা ফাবীরুবদগী ফাদোক্লরে হায়না মথংগী নুমিত্তা পাউ ফংখি। মশানা য়াদনা ফাবীরুবনা করিসু কায়দে হায়দুনা নুপাদুগী অহল লমন্নসু য়াদুনা মখোয় অনী চেল্লে। অসুম্না নুপা ময়ূমদা নুমিৎ তরানি লৈরম্লগা লুহোংনবগীদমক ময়ূমদা থিনখ্রে। মমৈথংদা নুপীমচা অদু হান্নগী নুপা অদুদা মশা মশা য়ানদুনা চেনবনি, ফাবা নত্তে হায়বগী পাউ ফংই, মঙোন্দা মীনম্মী হায়দুনা অকোনবগী নুপা অদুনা চক্রি হৌরকপা মাল্লে। মদুদসু নত্তনা হান্না নুপীমচা অদুবু ফাবিরুবা নুপা অদুনা অয়েৎপা পীরোই হায়বগী চে পীয়ু য়াদে হায়বগী নিংঙাই অমসু য়াওরকই। ওইরক্লিবা মওংদুদা নুপীমচা অদু নুপা অদুদা লৈবা ঙম্লরোই হায়, নুপামচাদুনা লৌররোই হায়। নুপীমচাদুগী মচিন্দগী থোরকখিবা ৱাহৈশিংনি ***ঐবু ইশানা য়াদনা নমদনা ফাবীরগা পুন্সিসে মাঙহল্লে, অতোপ্পা নুপা অমদা অমুক চেন্দুনা নুমিৎ তরানি ময়ূমদা লৈরুরে। লুহোংবগী ৱাফম তোক্লে। ঐগী পুন্সিসে মাঙবই মাঙবা মাঙজরসনু।*** তাবদা থম্মোয় শোকই। অসুম্না মৈচাক পুদুনা লেনবা নুপী মশীং খঙদনা লৈরি। দিসেম্বর ১২ য়ৌশিল্লক্কদৌরে। নুপী পুম্নমক্লা মতমদুগী ইমাশিংগী থৌনা লৌশিংদু কাউফদবা মতাংদু লাক্লে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।